# ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলগী মীখল পাঙথোক্লবা মতম লেপখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৮ (ঐচএনএস):

মণিপুরগী চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংগী লোকল বোদিশিং ওইরিবা ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল (এ দি সী) শিংগী মেম্বরশিং খন্নবগী জেনরেল ইলেক্সন পাঙথোক্লবা টেন্টেটিভ সেদ্যুল অমা শেমখ্রে।

পাউচে অসিনা ফংবা পাউনা হায়বদা ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলশিংগী পাঙথোকফম থোক্লিবা মীখল অসি চৎলিবা কুমজা অসিদা পাঙথোক্লবগী টেন্টেটিভ ওইবা সেদ্যুল অমা ষ্টেট ইলেক্সন কম্মিসন (এস ঈ সী), মণিপুরনা শেমখ্রে হায়রি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়বদা মসিগী মতাংদা ষ্টেট ইলেক্সন কম্মিসনগী সেক্রেটরি রাধারানি মুতুমনা থা অসিগী ১৩দা মণিপুর লৈঙাক্কী এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি (ত্রাইবেল এফ্যেরস এন্দ হিলস) তা ওফিসল ওইবা চেরোল (নম্বর ৭/১/২০২০-ষ্টেট ইলেক্সন কম্মিসন, এ দি সী/৭৪-২) থারক্তুনা খঙহল্লকখি হায়রি।

ষ্টেট ইলেক্সন কম্মিসন, মণিপুরগী চেরোল অসি মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ত্রাইবেল এফ্যেরস এন্দ হিলস দিপার্টমেন্টনা এ দি সী ইলেক্সনগা মরী লৈননা মমাঙ থাগী ১৭তা ষ্টেট ইলেক্সন কম্মিসন অসিদা পীখিবা চেরোল অমগী মতুংইন্না টেন্টেটিভ সেদ্যুলগী ৱাফম অসি ফোঙদোরকখিবনি হায়রি।



ষ্টেট ইলেক্সন কম্মিসনগী চেরোল অসিগী মতুংইন্না মীখল অসিদা শীজিন্নগদবা দ্রাফ্ট ইলেক্টোরেল রোলশিং ফোঙবগী থবক্তা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী নোটিফিকেসন অমা থোক্তুনা ফোঙগদবনি হায়বগা লোয়ননা কম্মিসনগী মায়কৈদগীদি ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলশিংগী মীখল পাঙথোক্লবগীদমক লৌখৎফম থোকপা থৌরাংশিং লৌখৎপা হৌরে হায়রি।

চেরোল অসিগী মতুংইন্না দি মণিপুর (হিল এরিয়াজ) দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলস (ইলেক্সন ওফ মেম্বরস) রুলস, ২০০৯গী রুল ১৫ (২) গী মতুংইন্না ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলশিংগী মেম্বরশিং খন্নবা ইলেক্সনগী নোটিফিকেসন মথং থাগী ১৭ (ফেব্রুৱারী ১৭, ২০২১, য়ূমশকৈশা নুমিৎ) তা থোক্লগনি হায়রি।

অদুগা পাঙথোক্কদৌরিবা এ দি সীশিংগী জেনরেল ইলেক্সন অসিনা লাক্লিবা মার্চ থাগী ৩শুবা চয়োলদা ওইগনি হায়রি।

লোয়ননা মণিপুরগী চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা লৈরিবা ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলশিংগী মেম্বরশিং খন্নবগী ইলেক্সনগী মথৌ তাবা প্রোসেস পূম্নমক এপ্রিল, ২০২১গী অনীশুবা চয়োল ফাওবগী মনুংদা মপূং ফানা লোইশিনগনি হায়বা ৱাফমসু ষ্টেট ইলেক্সন কম্মিসন, মণিপুরগী মায়কৈদগী পীরকখিবা চেরোল অসিদা ময়েক শেংনা খঙহল্লক্লে হায়রি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়, মরমশিং অসিনা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু ষ্টেট ইলেক্সন কম্মিসন, মণিপুরনা তৌরক্লিবা রিকম্মেন্দেসনশিং অসিদা য়াওরিবা ৱারোলশিং অসি খন্নবীদুনা এপ্রুভ তৌবীনবা হায়জরকখিবগা লোয়ননা ৱাফমশিং অসিদা লৈঙাক্কী এপ্রুভেল ফংলবদি কম্মিসনগী মায়কৈদগী হায়রিবা মীখলশিং অসি মতম চানা পাঙথোকপা ঙম্নবগী থবক লৌখৎপা ঙম্লগনি হায়রি।

চেরোল অসিগী কোপি অমা মণিপুর লৈঙাক্কী সেক্রেটরি (লো) দসু পীরক্তুনা লৌখৎফম থোকপা থবকশিংগী মতাংদা খঙহল্লকখি হায়রি।

# কোভিদ ক্যের সেন্টরশিংদা থবক তৌরক্লিবা মীওইশিংবু মখা তানা পুহনবীনবা মণিপুর লৈঙাক্কী পূক্নিং চিংশিল্লক্লি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৮ (ঐচএনএস):

পিকচরবসু বোর্দর ষ্টেট অমা ওইবগী মথক্তা লেন্দ লোক ষ্টেট অমসু ওইরিবা মণিপুরদসু মালেম শীনবা থুংনা শন্দোরক্লিবা নোভেল কোরোনাভাইরস (কোভিদ-১৯) গী লায়না লাইচৎ য়ৌশিল্লক্তুনা মীওই কয়াগী পুন্সি খাঙুথক্তা পিখম্নহনখিবগী মথক্তা ঙসি ফাওবা লেপ্তুনা নুংতিগী লায়না অসিনা নাহল্লবা পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিংগী মশীং লেপ্তুনা থোরক্লিবসিগী চৈরক্তা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী হাংদোক্তুনা চলাইরক্লিবা কোভিদ ক্যের সেন্টরশিংদা মথৌ পাঙথোকহল্লক্লিবা নর্স অমসুং অতৈ ষ্টাফশিং মখা তানা পুহনবীনবা আপিল তৌনরক্লে।

ৱাফম অসি ঙসি ইম্ফালগী মেজোর খুলদা লৈবা প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা কোভিদ ক্যের সেন্টর (সী সী সী) শিং ওইরিবা লম্বোই খোংনাংখোং, রুরেল দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (আর দি ও), লমশাং অমদি য়ুনাইটেদ অরোমা কম্মর্সিএল কম্পেনি (য়ুনাক্কো) গী সেন্টরশিংদা থবক পুরক্লিবশিংগী অপূনবা রিপ্রজেন্টেটিভকী প্রসিদেন্ট শৌগ্রাকপম খোগেননা হায়খি, কোভিদ ক্যের সেন্টর ওইবদা ইহান হান্না সেন্টর অসিদা লৈরিবা মীওইশিংগীদমক কৌরকপদগী মখোয় চঙখিবনি। মখোয়না সেন্টরশিং অসিদা তৌরক্লিবা থবকশিং অসি মথং থাগী ২দা থা ৬ মপূং ফাগদৌরিবনি। লোয়ননা মখোয়বু কোভিদ ক্যের সেন্টরশিং অসিদা থবক শুহল্লকখিবা মতমদা মখোয় মশা মশানা লৈঙাক্কী থবক অমা ফংলে হায়দুনা হরাউজখি হায়রি।

অদুবু হৌজিক মতম লোইরে হায়দুনা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মখোয়বু লৌথোকপীবগী মহুক্তা মখোয়বু মখা তানা মফম চাবা য়েংদুনা য়ুটিলাইজেসন তৌবীয়ু হায়রি।

মহাক্না মখা তানা হায়, ঐখোয়না থবক চঙবা মতমদা মখা তানা মখোয়গী সর্ভিসকী মতম অসিবু এক্সটেন্সন তৌবিরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈদুনা চঙখিবনি। মরম অসিনা ষ্টেট অসিগী হেল্থ সেক্টরদা লৈরিবশিংনসু ৱাফম অসিগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টরগী মীৎয়েং চিংশিনবীয়ু। লোয়ননা মখোয়বু মখা তানা শাংথনা থবক পুবা য়াহনবীয়ু হায়খি।

মহাক্না ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা থা ৬কী ওইনা থবক পুহল্লকখিবা মখোয় হৌজিক থা অনীগী খূৎশুমল (তোলোপ) ফংলে হায়বগা লোয়ননা অতোপ্পা লেমহৌরিবা থা ৪গীদি ফংদ্রি হায়খি। অদুম ওইনমক মসিগী মতাংদদি মখোয়গী মায়কৈদগী করিসু খঞ্জবা লৈজদে হায়নসু পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

# লুখোৌসে জৌবু মরাল লৈতে হায়দুনা কোর্টনা থাদোকখিববু য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৮ (ঐচএনএস):

হৌখিবা কুমজা ২০১৮গী জুন থাদা লুপা ক্রোর ২৭ লোম হেনবগী দ্রগ ফাবদা চেন্নবা ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাওন্সিল (এ দি সি) চান্দেলগী চ্যেরমেন ওইরম্বা লুখোৌসে জৌ মরাল লৈতে হায়দুনা থাদোকখিববু য়ানীংদবা ফোঙদোকপা ওইনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা খেকমন থোংখোঙদা খেকমন অপূনবা মৈরা পায়বী লুপ্না শীন্দুনা মীয়ামগী ওইবা ৱাকৎ মীফম অমা পাঙথোকখ্রে হায়না কাদাগী সেক্রেটরি ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি খুন্দোংময়ূম আনন্দনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ৱাকৎ মীফম অদুদা কাদাগী ভাইস প্রসিদেন্ট দিপাঞ্জিৎ নিংথৌজম অমসুং প্রসিদেন্ট হিজম প্রিয়োকুমারনা ফোঙদোকখিবদা, মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লুখোৌসে জৌ থাদোকখিববু য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা লুখোৌসে জৌগী কেস অসি মণিপুর লৈঙাক্না অমুক হন্না হায়র কোর্টতা আপীল চত্তুনা কেস অসি নৌনা থীগৎহন্ননবা খোঙজং চঙশিন্দুনা লাক্লি।

দ্রগ লল্লোনবা মরাল লৈবা মীওইশিং লোগী ওইবা চপ চাবা চৈরাক পীগদবনি হায়দুনা চঙশিল্লিবা খোঙজং অসি কনাগুম্বা কাঙলুপ-ফুরুপ অমত্তগী মায়োক্তা চঙশিনবা নত্তে। ঙসি মীয়াম্না চঙশিল্লিবা ঈহৌ অসি দ্রগ লল্লোনবা মীওইশিং চৈরাক পীদুনা খুন্নাই অসিগী তুংগী মরাইবক লেপকদৌরিবা নহাশিং ময়াই কাবা চীঞ্জাক্তগী কঞ্জনবা ঈহৌনি।

দ্রগ লল্লোনবা মীওইশিং কনখৎপা মানবা থৌওংশিং লুখোৌসে জৌগী কেস অসিদা ফাগৎলকপা দ্রগকী সম্পলশিং মফম খঙদনা মাঙহনবা, এন দি পি এস কোর্টতা চার্জসিট শেমদোক্লবা প্রেসর তৌরম্বা অমসুং কেস অসিগী আই ও মরম চাদনা শিন্দোকপা অসিগুম্বা মরমশিং অসিদগী কেস অসি মীয়াম্না চিংনবা হেল্লকখি হায়বা ৱাফমশিং ফোঙদোকখি।

হৌজিক মালেমগী মফম পূম্বদা পেন্দেমিক ওইনা শন্দোক্লিবা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অদুগা অফসপাগী মরুমদা আর্মিনা চিংনবা মীওই ৱায়েল তৌদনা হাৎখিবা মীগী মশীংদগী ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী চৈথেংদগী শিখিবা মীওইনা মশীং হেল্লি। মরম অদুনা ঐখোয় খূদিংমক অমত্তা ওইনা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী মায়োক্তা অমত্তা ওইনা লেপমিন্নবা মথৌ তাই হায়নসু ফোঙদোকখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা ‘দ্রগ লল্লোনবা চৈরাক পীয়ু, ষ্টেটনা হায়র কোর্টতা আপীল চৎলু, লুখোৌসে জৌ থাদোকপা য়ানীংদে অমসুং ৱার ওন দ্রগস ফাগি তাহনগনু’ হায়বনচিংবা খোল্লাও কয়া লাউদুনা অমত্তা ওইনা য়ানীংদবা ফোঙদোকখি।

# বি আর ওগী পর্সনেল ৪৫৯ লৌগদৌরি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৮ (ঐচএনএস):

গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ দিফেন্সকী বোর্দর রোদস ৱিংগী মখাদা লৈরিবা বোর্দর রোদস ওর্গনাইজেসন (বি আর ও) গী জেনরেল রিজার্ভ এঞ্জিনিয়র ফোর্সকী এদভটাইজমেন্ট নম্বর ১ ওফ ২০২১গী মতুংইন্না বি আর ওগী তোঙান তোঙানবা পোষ্ট ৭কী অপূনবা মীওই ৪৫৯ লৌগদৌরি।

পোষ্টশিং অদুগী মনুংদা দ্রাফ্টসমেন, সুপরভাইজর ষ্টোর, রেদিও মেকানিক, লেবোরেটরি এসিষ্টেন্ট, মল্টি স্কিল ৱার্কর (মাসোন), মল্টি স্কিল ৱার্কর (দ্রাইভর এঞ্জিন ষ্টেটিক) অমসুং ষ্টোর কিপর টেক্নিকেল য়াওরি। এপ্লিকেসন ফোর্মশিং বি আর ওগী ৱেবসাইট www.bro.gov.in দগী ফংগনি হায়রি।

HL-P/8547/13 to 28






## লৌশিং পুক্কে

# কোভিদ-১৯গী ভাইরসনা ব্রেন টিস্যুশিং মাঙ-তাকহল্লি

অনৌবা ষ্টদি অমগী মতুংইন্না কোভিদ-১৯ লায়না নাহল্লিবা SARS-CoV-2 ভাইরসনা নর্ভ সেলশিংদা ইনফেক্ট তৌবগা লোয়ননা সেন্ট্রেল নর্ভস সিষ্টেমদা য়ৌগদবা ঈগী ঈচেল থিংজিল্লি হায়রি।

কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মালেম পূম্বদা লৈরিবা মীওই মিল্লিয়ন কয়াদা অতেনবা মতমগী অমদি অশাংবা মতমগী ওইবা হকশেলগী খুদোংচাদবা কয়া লেপ্তুনা মায়োক্লহল্লি।

কোভিদ-১৯ নাহল্লিবা SARS-CoV-2 হায়রিবা ভাইরস অসি অনৌবা ভাইরস অমা ওইবা মরম্না, ভাইরস অসিনা হকচাংগী তোঙান তোঙানবা কয়াৎশিংগী মনুংদা করম্বা মওংদা মথৌ তৌবগে হায়বগী মতাংদা রিসার্চরশিংনা হৌজিকমকসু লেপ্তুনা থিজিল্লি।

SARS-CoV-2 না সেন্ট্রেল নর্ভস সিষ্টেমগী সেলশিংবু হকথেংননা ইনফেক্ট তৌবা ঙমই অমদি টিস্যুশিংবু মাঙ তাকহল্লি হায়বগী খুদম চাংদমশিং সাইন্টিষ্টশিংগী টিম অমনা হন্দক্তা পুথোকখ্রে। টিম অদুদা য়ু এসকী কন্নেক্টিকট ষ্টেটকী ন্যু হেভনদা লৈবা য়েল স্কুল ওফ মেদিসিনগী সাইন্টিষ্ট কয়া অমসু য়াওরি। হায়রিবা ফাইন্দিংশিং অসি জর্নেল ওফ এক্সপরিমেন্টল মেদিসিনদা পব্লিস তৌরকখিবনি।

SARS-CoV-2 না সেলশিংগী মপাল থংবা কুয়োমদা য়াওবা এঞ্জিওটেন্সন কনভর্টিং এঞ্জাইম ২ (ACE 2) রিসেপ্টরশিংগা বাইন্দিং তৌদুনা লং টিস্যুদা ইনফেক্ট তৌই। সেল অমদা হেক বাইন্দ তৌখিবগা ভাইরস অসিনা লংসতা চঙবা ঙমই অমদি নীংশা হোনবা ৱাবা অমদি লোক কংখুনচিংবা রেস্পিরেটরি সিম্পটোমশিং উৎহল্লকই হায়রি।

অদুমওইনমক অনৌবা ষ্টদিশিংনা উৎলি মদুদি ভাইরস অসিনা সেন্ট্রেল নর্ভস সিষ্টেমগী সেলশিংবুসু ইনফেক্ট তৌবা ঙমই। সেন্ট্রেল নর্ভস সিষ্টেম হায়বসি ব্রেন অমদি স্পাইনেল কোর্দনা পুল্লগা শেম্বনি।

ৱাফম অসিদগী কোভিদ পেসেন্টশিংদা কোক ঙাওবা, ৱাখল চমম্ন বা, ষ্ট্রোক অমদি কোমানচিংবা য়াওনা ন্যুরোলোজিকেল সিম্পটোমশিং মায়োক্লবগী চাং হেনগৎলকপগী মরমশিং চাউরাক্না খঙবা ঙমহল্লি।

হন্দক্কী ষ্টদি অসিনা নর্ভ সেল ইনফেক্সনগী মেকানিজমশিংবু এনালাইজ তৌদুনা মমাঙগী রিসার্চশিংদা অনৌবা ৱাফমশিং হাপকৎলি। ইনফেক্সন অসিনা কদায় ফাওবা চঙশিনবগে অমদি মসিগী চৈথেংনা করিনো হায়বদু খঙনবগীদমক সাইন্টিষ্টশিংগী টিম অদুনা তোঙান তোঙানবা ব্রেন মোদেল অহুম শিজিন্নখি। মোদেলশিং অদুদি হ্যুমেন ব্রেন ওর্গানোইদ, জিনিটেকেল্লি ইঞ্জিনিয়র তৌরবা উচি, অমদি কোভিদ-১৯না নাদুনা শিরবা মীওইশিংগী ওটোপ্সিনি।

ষ্টদি অদুনা ইহান হানবদা হ্যুমেন ব্রেন ওর্গানোইদশিং শীজিন্নদুনা SARS-CoV-2 না ব্রেনদা ইনফেক্ট তৌবা ঙম্বগী চাং এগজামিন তৌখি। হ্যুমেন ব্রেন ওর্গানোইদ হায়রিবসি লেবতা মশা-মউ ফবা মীওইশিংগী ষ্টেম সেলশিংদগী পুথোকপা থ্রীদি মোদেলনি।

ব্রেন ওর্গানোইদ মোদেলশিং অসি কুমজা ২০১৫-১৬তা থোকখিবা জিকা ভাইরস লাইচৎকী মতমদসু ন্যুরোলোজিকেল ইনফেক্সনশিংগী মরমদা এনালাইজ তৌনবগীদমক সাইন্টিষ্টশিংনা শীজিন্নখি।

হ্যুমেন ব্রেন ওর্গানোইদ শীজিন্নদুনা য়েংখিবা অদুগী ফাইন্দিংশিং অদুগী মতুংইন্না ইনফেক্তেদ সেলশিংনা মখোয়গা থংননা লৈরিবা সেলশিংবু হিংদুনা লৈবা ঙমহন্দবা এনভাইরনমেন্ট মখল অমা শাগৎনবগীদমক সেল মেটাবোলিজমবু হোংহনবা ঙম্বগী পাঙ্গল অদু ভাইরস অসিদা লৈ হায়রি।

লংসতা তৌবগুম্না ব্রেনদসু ACE2 রিসেপ্টরনা ভাইরস অসি চঙবা য়াহল্লি হায়বসু ওর্গানোইদ মোদেল অদুনা উৎখি। সেন্ট্রেল নর্ভস সিষ্টেমদা য়াওবা সেলশিংনা ACE2 রিসেপ্টরশিং পুথোকপরা হায়বগী মতাংদা হান্না ময়েক শেংনা খঙলমদবা মরম্না রিজল্ট অসি য়াম্না অঙকপা অমা ওইখি।

রিসার্চরশিংনা ওর্গানোইদ অদুদা প্রোটিন ব্লোক তৌনবগীদমক এন্টিবোদিশিং হাপচিনবা মতমদা ভাইরসশিং অদুনা প্রোটিনদা বাইন্দ তৌবা ঙমদবগা লোয়ননা সেল ইনফেক্সনগী চাংসু হন্থবা থেংনখি।

মথংদনা, ওর্গানিজম মপূম অমগী কন্টেক্সতা য়েংবদা সেন্ট্রেল নর্ভস সিষ্টেম ইনফেক্সন ওবজার্ব তৌনবগীদমক রিসার্চরশিং অদুনা উচিগী মোদেল অমা শীজিন্নখি। মীওইবদা তৌবা ইনফেক্সন অদুগা য়াম্না নকশিন্না মান্নহন্নবগীদমক মখোয়না উচি অদুবু মীওইবগী ACE2 প্রোটিন পুথোকহন্নবগীদমক জিনেটিকেল্লি মোদিফাই তৌখি।

উচি অদুবু ইনফেক্ট তৌহল্লবা মতুংদা সাইন্টিষ্টশিংনা ইনফেক্তেদ নর্ভ সেলশিংগী চাং য়াম্না ৱাংনা য়াওবা থেংনখি। ফিভম অসিগা লোয়ননা, ব্রেনদা ওক্সিজেন য়ৌবগী চাং হন্থহনবা ঙম্বগী চাংদা ঈগী উতোংশিংদসু য়াম্না চাউনা অহোংবা লাকখি। ষ্টদি অদুনা উচিদা সেন্ট্রেল নর্ভস সিষ্টেম (সী এন এস) ইনফেক্সন অমদি লং ইনফেকক্সন চাংদম্নদুনা য়েংখি। মদুদা সী এন এস ইনফেক্সননা য়াম্না কা হেন্না শাথিবা হেল্লি হায়না লেপখি। ভাইরসকী দোজ নেল্লবসু ন্যুরোনেল ইনফেক্সননা উচিশিং অদুদা হকচাংগী অরূম্বা হন্থবা অমদি শিবনচিংবা থোকহনখি।

ইকোন কোনবদা রিসার্চরশিং অদুনা কোভিদ-১৯ য়াম্না কন্না নারগা শিখিবা মীওই অহুমগী ব্রেনগী রিজনশিংবু এগজামিন তৌখি। মীওই অহুম্মক অদু নারিঙৈ মনুংদা রেস্পিরেটরি ফেল্যির মায়োক্লখিবগা লোয়ননা আই সী য়ুদা এদমিট তৌখিবা ঙাক্তনি।

ইনফেক্ট তৌরবা ব্রেনগী রিজনশিংগী মনুংদা টিস্যু দেমেজ অমদি ঈ ৱাৎপনা মরম ওইরগা সেল শিবগী খুদমশিং ফংখি হায়রি। সেল শিরিবা অদু কয়ারক হন্না ওক্সিজেন অমদি ঈ ফংদবদগী ওইখিবনি হায়রি। হায়রিবা ফিভম অসি ব্রেন ওর্গানোইদ অমসুং উচিগী মোদেলশিংদা রিসার্চরশিংনা ওবজার্ব তৌখিবা অদুগা মান্নখি হায়রি।

ষ্টদি অদুগী কো-সিনিয়র ওথর ডা. কায়া বিলগুভারনা ফোঙদোকখিবদা, ন্যুরোনশিং অসি SARS-CoV-2 গী টার্গেট অমা ওইবা য়াই হায়বসি ঐখোয়গী ষ্টদি অসিনা ময়েক শেংনা উৎলে হায়খি।

# এম য়ুনা লৌবা এম এ (মণিপুরী) ৪শুবা সেমিষ্টরগী রিজল্ট লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৮ (ঐচএনএস):

মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা লৌদুনা পাঙথোকখিবা মাষ্টর ওফ আর্টস (মণিপুরী) গী মরিশুবা সেমিষ্টরগী এগজামিনেসনগী রিজল্ট লাউথোকখ্রে।

মহৈকোল অসিনা এগজামিনেসন অসি মমাঙগী কুমজা ২০২০গী জুন থাদা পাঙথোকখিবনি। এগজামিনেসন অসিদা পূন্না নুপা অমসুং নুপী মহৈরোয় ৩৪ অমসুং ৯৪ পূন্না ১২৪ শরুক য়াখিবগী মনুংদা পূন্না মহৈরোয় ১০৭ পাস তৌখি। মসিগী মনুংদা ২৬না নুপা মহৈরোয়নি। অদুগা ৮১না নুপী মহৈরোয়শিংনি। মহৈকোল অসিগী কন্ট্রোল্লর ওফ এগজামিনেসন্স (ইন চার্জ) প্রোফেসর এন জি নিমাইনা লাউথোকখিবা রিজল্ট অসিগী মতুংইন্না মেরিট লিষ্টতা অহানবা পোজিসন ফংখিবী চনম্বম সর্মিলা রোল নম্বর ১৮৫৯০০২না শ্রীমতি মাঙ্গোলঙানবী দেবী মেমোরিএল গোল্ড মেদল অমসুং গভর্ণরস গোল্ড মেদল ফংলগনি হায়রি।

## হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

# মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি

### মহৈরোয়শিং কোভিদ টেষ্ট তৌরবসু টিচিং ষ্টাফ অমদি নন টিচিং ষ্টাফ টেষ্ট তৌদ্রগদি কান্নরোই



লৈঙাক্না জন্যুৱারী ২৭তগী স্কুল, কোলেজশিং হাংহন্নবা থৌরাং তৌবীরিবা অসিদা মহৈরোয়শিং কোভিদ টেষ্ট তৌগদবনি, গর্ডিয়ানশিংগী অয়াবা লৌগদবনি হায়না তাকপীরি। অমরোমদা স্কুলশিংগী টিচিং ষ্টাফ অমদি নন টিচিং ষ্টাফশিংনা কোভিদ টেষ্ট তৌদ্রবদি মদুগী কান্নফম লৈরোইদ্রা হায়না খল্লি। স্কুল কোলেজশিং মতম শাংনা ক্লাস তৌরক্তবনা মিরাং, উফুল, অমোৎ অকায়, লেত্রিন টোইলেট তরূ-তনান্না য়াম্না ফজনা শেংদোকপা, মহীক শিনবা হীদাক চাইথোকপা অমদি কাপথোকপা, খূৎ হাম্ফম মফম চানা থম্বীবা, মহৈরোয়শিংগীদমক অখন্নবা কোভিদ-১৯গী চৎন-কাঙলোনশিং ঙাক্না চৎনবগীদমক শেন্নবীনবা মীওই অমা থম্বা চঙই। মেচিওর ওইরবা কোলেজগী এগজাম ফাওবদা এস ও পি ঙাকখিদবগী ৱাথোক কয়া লৈখি। মরম অদুনা লৈঙাক্না লৌখৎলিবা চেকশিন থৌরাংশিং অসিনা কদাই ফাওবা মহৈরোয়শিংনা ঙাক্না চৎপা ঙমগদৌরিবা হায়বসি থবক ওইনা পাঙথোক্লবা মতমদতা খঙবা ঙমগনি। অদুবু মহৈরোয়শিংনা এস ও পি ঙাকপা ঙমগনি হায়বদি থাজদে। লোয়ননা স্কুল কাবদা পুথোক পুশিন তৌগদৌরিবা গাড়ীশিংদসু কোভিদ-১৯গী চৎন-কাঙলোন মপূং ফানা চৎনহনবা মথৌ তাই।

❑ য়ূমখাইবম ইনাওচা লুৱাং, তোপ মখা লৈকায়

### ক্বা মনা পুশিল্লকপা থিংলবসু ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমদা ফোংনা য়োল্লিবসিনা ৱাহন্থোক লৈহন্দ্রে



মণিপুরদা ক্বা মনা অমদি হীদাক মনা ফাবগী থবক লন্নাই এন জি ওশিং অমদি লৈঙাক্না য়াম্না কন্না মতম কয়াদগী চথুদুনা লাক্লি। থৌওং অসি অফবা খুদম অমনি। হীরম অসিদা থৌদাং লৌবীরিবা পূম্নমকপু থাগৎপা ফোঙদোকচরি। অদুবু অসিগুম্বা অফবা খোঙথাং পায়খৎপীরিবা মীওইশিংদা হায়জনীংবা ৱাফমদি ইম্ফাল অমসুং অতৈ কৈথেলশিংদা ফোংনা ফোংনা য়োল্লিবা ক্বা মনা অমদি ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী পোৎলমশিং অসিসু থিংবীয়ু। মসিদা করিগুম্বা লৈঙাক্না থিংবীরবদি ময়াই কাবা চিঞ্জাক মতম কয়াদগী থিংদুনা লাক্লিবা অসি হেন্না মায় পাকপা হায়বদু ওইগনি। নোংথক্কী অমদি মখাগী লম্বীশিংদা পুশিল্লকপা খক থিংবনা ময়াই কাবা চিঞ্জাক লমদম অসিদগী মরূ ফংনা মুখৎপা ঙল্লোই। অমরোমদা ক্বা চাবগী চাংসি নুপীশিংনা য়াম্না হেল্লি। অয়ুক্তগী ক্বা চাবগী চৎনবী লৈরি। মৌশিংনা থবক অমা চথোকপদা ক্বা অমা পৈনা উম্লগা চৎলবদি লেম্মী হায়না খন্নরি। অমরোমদা ইনখৎলক্লিবা নহাশিংনা দ্রগ য়ুনচিংবদা লায়চুরে। পূম্নমক অসি লৈকায় লৈকায়গী ক্লবশিং অমদি মৈরা পায়বীশিংনা পূন্না থৌদাং লৌমীন্নদুনা ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী মায়োক্তা অচেৎপা ফিরেপ অমগা লোয়ননা লেপমিন্নহৌদ্রগদি খুন্নাই অসি মাঙখিবা য়াই।

❑ কে ঐচ ইনাওচা, থৌবাল কিয়াম সিফাই

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১৯।০১।২০২১ ইং, লৈবাকপোকপা; অয়ুক পুং১০.৫৯
ফাওবা ৱাকচিংগী ৬নি পানগনি, মতুং ৭নি পাল্লনি।

মেষ : খাংবা কনবা অমদি থিবা হুম্বা কনবনা থবক পাংবা অমদি শেল-থুমগী লম্দা মায় পাকপা ওইগনি। লন-থুম ফংগনি অদুবু হুরানবনদি মীতাই-পংথগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চাদে।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

বৃষ : চিংনবা পোকপদি লৈগনি অদুবু লৌশিং চাওবগী ৱা লৌরদি নুংঙাইবদুম ফংজগনি। মীচং খোম্বা, শেন্দোং তানবা অমদি য়েক্লবা লাকশিনবা ঙমগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মিথুন : নচাক নরল চাওখৎপা ঙসিসু লৈগনি। থবক্কী নুংঙাইবা পাউ তাজগনি অমদি অফবা মরুপ ফংজগনি। থাজদনা নক্লবনা পামদবা নংহনবা য়াই।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

কর্কট : অনীংবা অপাম্বা ফোঙদোকপা লুগনি অমদি চরাংনবনা অঙম্বগা মরী ফৎহন্দবা য়াবা লৈ। নচা ননাইদি চাওখৎকনি অমদি কিদবনা থবক পাংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱা য়াম্না ঙাঙগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

সিংহ : য়েৎনবদা কনানসু লাকচবা ঙমলোই অমদি ইমুং মনুংগা ৱা তাননা থৌ পাংবা ফগনি। হন্থবা লোয়নরদি য়েক্লবা হেনগৎকনি অমদি হুদৈ চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- থেংলপ্না নুংশিবা ফংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কন্যা : লাইবক থোইনা ফবা অমদি শেন্দোং চাওনা ফংবা নুমিৎনি। লৈঙাক্কী লম্দদি মরুপ কাইনবা য়াই অমদি ফিংলদি ঈ-তানা শেকপা য়াবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংবৈ নুংঙাইজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

তুলা : নীংহন্নগনু লাকচবীনবা কনাসু লৈরোই অমদি থবক্কী লম্দা মায় পাকচগনি। অনৌবা অশা অমদি মরুপ ফংজগনি। ৱানোম থৌনোম কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

বৃশ্চিক : হোয়া ফবদি মতম মাঙগনি অমদি অখঙ-অহৈগী ৱা তাদ্রগনা পূক্নিং ৱাগনি। হকচাংদি খিংগনি, থৌ পাংগনি-কিগনু অমদি মীংচৎসু ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মতম মাঙগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

ধনু : মরুপ মপাংগা ৱাখল তান্নদবা লৈতনবা চরাংনগনু অমদি অনৌবা থৌরম পাংগনু। ওইজবদি ফংগনি, লম-চৎপা কান্নগনি, অফবা পাউতাক ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- থাজদনা নুংঙাইজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

মকর : ৱাখল থোকপা অমদি মীচং ফংবা লৈগনি। ঈরাং পুরদি অরেম্বদা শেল চৎকনি, মীয়াম লোয়নবনা মাঙজবা লৈগনি। অনম তাল্লদি কোক শাগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- থাজবা মাঙগনি-তপথৌ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কুম্বা : খুৎ চাওগনু অমদি য়েৎনবা য়াবা মরমদা য়াওরুনু-মাঙবতা থুংগনি। থৌনা লৈয়ু-শোইদনা মায় পাক্কনি অমদি ফমথোল ফংবগুম নুংঙাইজবা লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চারোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

মিন : লাইবক য়াম্না ফবা, হরাওবা, মীচং হেনগৎপা অমদি অচুম্বা মায় পাকচবা নুমিৎনি। অফবা লাইরিক পাশিনবা কান্নগনি। পল্লম্বা শেল ফংবা য়াই।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱাখল য়াম্না নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।